# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ তেকসস বেকাতা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

*হিমালায়ান য়ু* (Himalayan Yew) হায়না খঙনরিবা য়াম্না চাউবা জিমনোসপর্ম (Naked Seeded Plant) গী কাঙলুপ্তা চনবা উ পান্বী অসি ঙসিদি মালেম পুম্বদা মমিং চংলি। পান্বী অসিগী সাইন্টিফিক নংত্রগা বোটানিকেলী ওইবা মমিংনা *তেকসস বেকাতা (Taxus baccata Linn.)* হায়না কৌই অমসুং তেক্সেসি (Taxaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। মতম পুম্নমক শংদুনা লৈবা তেকসস পান্বী অসি অরাং থংবা বিশুবরেখা (Northern Hemisphere) গী লমদমশিং হায়বদি এসিয়া, য়ুরোপ, নোর্থ অমসুং ময়ায় থংবা অমেরিকানচিংবা মহাদেশশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়া, নেপাল, ভুটান, ম্যান্মার, আফঘানিস্থান অমসুং পাকিস্তানদা পান্বী অসি অদুমক ফজনা হৌই। ইন্দিয়াগী মনুঙদা তেকসস পান্বী অসি অৱাংবা চীংদা মহৌশাগী ওইনা মণিপুর, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম অমদি নাগালেন্দনচিংবা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ১৫০০ দগী ৩০০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদা ফজনা হৌই।

তেকসস পান্বী অসি অহানবদদি থোইদোক্লা য়াম্না কায়বা পান্বীনি খঙনদবগী য়াম্ফুত্তুনা মীগী ওইনা থাদোক্লরম্মী অদুবু কুমজা ১৯৮৩ দগী কেন্সর মখল খরা হায়বদি ব্রেষ্ট কেন্সর (Breast Cancer) অমসুং নুপীগী অঙাংখাউগী কেন্সর ফহনবা ঙম্বা তেক্সোল (Taxol) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি তেকসস পান্বীনা য়াওই হায়না খঙনরকপদগী পান্বী অসিবু মালেমে শিন থুংনা শক খঙনরকখি। তেক্সোল হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি তেকসস হায়রিবা পান্বী অসিগী উগী মকুল্দা মরু ওইনা য়াওই। তেকসস পান্বীগী মনাদা তেক্সোল অসি য়াওজবসু চাং য়াম্না নেম্না য়াওই। তেকসস পান্বীগী মশা পুম্নমক্তা পোইজন হায়বদি হু চেল্লি হায়বসি চহী কয়াগী মমাঙদগী খঙনদুনা লাক্লি। চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদা থোকখিবা গেলিক হায়রিবা লান (Gallic War) অসিদা কেটোবোলকস (Catovolcus) হায়রিবা ইবুরোনিস (Eburones) কী আর্মিগী জেনরেল অসি লান্দা মায়থীবা নংখিবদগী থৱায় নুংঙাইতদুনা তেকসস পান্বীদগী শেম্বা মী অদু থক্লুনা মপম্তা থৱায় থাদুনা শিজখিবগী পাউদমসু লৈ। তেকসস পান্বীগী মহয়গী মতোঙ খরা নত্তনা মশা অয়াম্বা হু চেল্লি হায়না থাজনদুনা লাক্লি অমসুং মনা অদু কংহুল্লবদি হু য়াওবগী চাং অদু হেল্লি হায়নসু পাউমলি। অদুম ওইনমক পাকিস্তাননদি তেকসস পান্বীগী মনা অসি শা-ষণনা মরু ওইনা হামেংনা থোইদোক্লা অমাঙ-অতা থোক্তনা চায় হায়রি।

বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুং ইন্না অমেরিকাগী সাইন্টিষ্টশিংনা কুমজা ১৯৬৪ দা তেকসস পান্বীদা তোক্সিক হায়বদি হু ওইবা রসায়নশিং য়াওই হায়না পুথোকখি। মখোয়না অহানবদা Pacific Yew হায়বদি Taxus brevifolia দা অহানবা ওইনা থিজিনখি। থোইদোক-হেন্দোক্লা অঙকপা অমা ওইনা অমেরিকাদা লৈবা ইন্দিয়াগী সাইন্টিষ্ট ডা. এম সি ৱানি অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ইহান হানবা ওইনা তেকসস বেকাতাদগী তেক্সোল অসি মশক খঙবা অমদি শুংবা ঙমখি। অদুম ওইনমক রসায়ন তেক্সোলগী হীদাক্কী মগুণশিং অদুদি চহী কয়ামরুম লৈরবা মতুংদা হায়বদি কুমজা ১৯৮৩ দা অমেরিকাদা লৈবা নেসনল কেন্সর ইন্সটিট্যুট (National Cancer Institute) তা নৈনদুনা কেন্সর ঙাকথোকপা ঙঙ্গগী মগুণ অদু মায় পাক্লা খঙখি অমসুং নৈনখি। অমেরিকাদা লৈবা ফুদ এন্দ ড্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (Food and Drug Administration) না তোক্সোল অসি ওভেরিয়ান (অঙাং খাউ) অমসুং ব্রেষ্টগী কেন্সরশিং অসি লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়ারে হায়দুনা মথংশিংনা কুমজা ১৯৯২ অমসুং ১৯৯৪ দা অয়াবা পীখি।

তোক্সোলগী কান্নবসি বিজ্ঞানিক ওইবা মওংদা পুথোক্তিঙৈ মমাঙদগী তেকসস বেকাতা পান্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্নগী পাউদম খরদি লৈরম্মী। তেকসস পান্বী অসি অনৌবা ময়োলদগী শেম্বা মহী অদু কোক চীকপা, কোক ঙাওবা, স্বর চনীং-চমাঙ শম্নদবা, খোঙ হামখবা, হকচাং শোম্ববা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। তেকসসকী মনা অসি পুক্লিং ৱাখল শোম্ববা অমদি শারৈ (Epilepsy) থুংবদসু ত্রাইবেল কাঙবু খরনা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। য়ুনানি সিষ্টেম ওফ মেদিসিন (Unnani System of Medicine) দা শীজিন্নরিবা জরনাব (Zarnab) হায়রিবা হীদাক অসি শাবদা তেকসস অরি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবনি।

তেকসস বেকাতা হায়রিবা পান্বী অসি চাউজল য়াম্না থীনবা অমদি মপূং মরৈ ফাবা পান্বী অমা ওইবদা মখা অসি ১০০ রোম চঙতি। চহী ১০০ রোম শুরবা পান্বী অমনা উগী মকু অকংবা কেজি ৩ লোমতমক থোকপা ঙম্মী অমসুং মদু শুংদোকপদা তেক্সোল ওইনা মিলিগ্রাম ১০০ দগী ২০০ ফাওবতমক ফংবা ঙম্মী। মপূং মরৈ ফাবা তেকসস পান্বী অমনা মনা অকঙবা কেজি ১২ দগী ২০ ফাওবতমক থোকই। অদুগী ৩ খুদিংগী মনা অদু কক্কপা য়াই। অকংবা মনা কেজি ১ না তেক্সোল মিলিগ্রাম ১০ দগী ২০ ফাওবতমক ফংবা ঙম্মী। তেক্সোল হায়রিবা রসায়ন অসি কেজি ১ দা অন্তরজাতিগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ২০০ রোম পী। হায়রিবা তেক্সোল অসি কেজি ১ শুংবদা মপূং মরৈ ফারবা তেকসস




পান্বী ২০০০ দগী ৩০০০ ফাওবা মথৌ তাই। তেকসসকী মকুদা য়াওরিবা তেক্সোলগী চাং অসি চাদা ০.০০০১ রোমনি। মপূং মরৈ ফারবা তেকসস পান্বী ৩ দগী ৬ লোম্না তেক্সোল গ্রাম ১ ফংবা ঙম্মী অমসুং হায়রিবা গ্রাম ১ অসিনা কেন্সরনা নারবা অনাবা মী অমা লায়েংবা কোন্নবগী চাংদনি।

তেকসস অসি ইরায় লায়না মখল অনীদা চাড়া শন্দোকপা য়াই। অহানবা মরু অদুনা হুন্দুনা চাড়া শেম্বা অদুগা অনীশুবদা কতিং হায়বদি মশা অদু কক্লগা Indole Butyric Acid হায়রিবা হোর্মোন অসি ০.০০২ গী মপাঙ্গল লৈবা মহীদা লুপ্লগা থাবা অসিনি। থা ২ গী মনুংদা ময়োল ফজনা চোংই অমসুং চাদা ৮০ গী মথক্তা মায় পাকপগী পাউদম লৈ। চহী ১ গা থা ৩ লোমগী মতুংদা ফিল্ডদা থাদোকপা য়ারে। মণিপুরগী মফম কয়ামরুম মরু ওইনা অৱাংবা চীংশিংদা তেকসস পান্বী অসি থাবা য়াগনি। ঐখোয়না অসুম্না পাথোকপা য়াই মদুদি মপূং-মরৈ ফারবা তেকসস পান্বী ২৫,০০০ খক্লা মণিপুরগী অপূনবা উমংগী পোৎথোকশিংগী মমলদগী হেনগনি হায়বসিনি।

## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা

: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### থেবগী মশা কখোকপা

মপোক অমা বোধিসত্ত্ব থেবা ওইনা পোক্লম্মী,
সৎ-কর্ম্ম তৌদুনা মপুন্সিদো লৈরম্মী।
য়োং, লমহুই, শনম্ব মাগী মরূপ অহুমদা,
দান, ধর্ম্ম, ব্রতগী লীখি তত্ব মখোয়দা।
নোংমা ব্রত তৌরগা থিনরক্লে চানবা;
ঙা, শঙ্গোম, হৈনৌনি মরূপশিংনা ফংখিবা;
পুরকখিদে তুমিন্না 'কনাগীনো?' লাউরম্মী।
'তৌদৌবসি করিনো!' থেবদুনা খল্লম্মী,
'চাক্লিববু লাক্লগা করিনোনে পীদৌবা!
ফরে, 'ইশা চারোবু ঙায়রে ঐগী হায়দৌবা।'
সাকা কৌবা লাইদুনা ৱাখল অসি খঙদুনা।
লাক্লে ব্রাহ্মণ শাদুনা চাংবু য়েংগে হায়দুনা।
য়োং, লমহুই, শনম্ব লৈজ-লৈজ পুথোক্লে;
ধর্ম্ম লৈবা থেবদি মশা দানবু তৌরক্লে।
মৈবু হৌরে ব্রাহ্মন্দো চোংশিনখরে থেবদো,
লাইগী থৌশিল অঙকপা করি চাক্তে মশাদো।
সাকা কৌবা লাইদুনা অশেংবদু হায়খরে;
দান ধর্ম্ম তৌবগী কান্নবদু লীখরে।
থেব'ই মুর্ত্তি চীংন-শা থাজদবু থেনখরে;
ধর্ম্ম লৈবা জীব মরি চান্ন-চিন্ন লৈখরে।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## 'মোইরাং সেন্দ্রা থাঙ্গ'

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**কাঙলুপ** মশীং কয়া অমনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ইরমদমনি, 'মণিপুর'। মশা-মশাগী অনিংবা অপান্বা ফোঙদোক্লদুনা মীওই অমা-অনী পুনশিল্লগা কাঙলুপকী ঈরাং শাগৎনদুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা হোৎনবা লেপ্তুবা সনা লৈবাক্লি, 'মণিপুর'। চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাউবনি কাউবিগনু ইরৈচাশা, ইশাগী ওইজবা খক্তা তানগে খল্লবদি, মীরমগী লমহুইনা তাংবল কাখিগনি, পুন্সি চুপ্পা দোলাইলেং ওইদুনা তোক্কনি।

নাগানা পান্মী গ্রেটর নাগালেন্দ, কুকিনা পান্মী কুকি হোমলেন্দ, মীতৈনসু পান্মী মৈত্রবাক অমা হায়রসিরা, মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংনসু মুসলিম মাইনোরিটি হায়দুনা মাগী মাগী কাঙলুপ মশেলগী ওইবা অখুবা মিৎয়েং খক্তনা লৈবাক ঈরাং থোকহন্দুনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা, মালেম পুম্নমক্কী লম কোয়বশিংগী পোথাফম ওইরিবা 'সেন্দ্রা' টুরিষ্ট সেন্টরগী মতাংদা ঐখোয়গীনি মখোয়গী ওইবা য়ারোই হায়দুনা লৈবাক ঈরাং থোক্লক্লবা 'থাঙ্গ' হায়বা ফুরুপ অমা অমুক থোক্লকপগুম তৌরিবসি শান্তি পান্বা, য়েলহৌমীবু নুংশিজবা, অমত্তা ওইবা পামজবা ইরৈচা পুম্নমক্কীদমক্তদি লাইবক থিবনি। কুপ্না নৈনবিয়ু, মোইরাংবু মীতৈরা, মোইরাংনা মোইরাংনি, মীতৈনা-মীতৈনি, মোইরাংসু নিংথৌ পাল্লি, মীতৈসু নিংথৌ পাল্লি। পুম্নমক্কী পুকোক্লি হায়নরিবা ইবুধৌ পাখংবনা মোইরাং নিংথৌগী মখাদা চহী চাম্মা লোত্তুনা লৈরম্লবা মতুং মীতৈ কংলাদা নিংথৌ ফম্বাল লাংখিবা অমদি লৈঙাক সাসন তৌগদবা লৈবাক্কী বাউন্দরি মেপ অমদি কুমজা-তারিখ অখঙ অহৈশিংগী মফমদা তেক্তা কায়দনা লৈবনি। ঐখোয় পুম্নমক্লা খন্থমিন্নগদবদি 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসিমক মতৌ করম্না করম্বা মতমদা কনানা থোনখিবা মিংথোলনো অমদি ৱাহন্থোক্লা করিনো হায়বসি খ্বাই পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মীওইবা পুম্নমক্লা 'নুপী অঙাং, লৌরি-শিংজাকা' হায়নরিবদুনি। মীওইবা খুন্নাই হায়না হিংমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অসি কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমগী মরমদা খঙননবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐহাক ইশানা ইশাগী মরমদা হান্না কুপ্না নৈনগদবনি। মী অমদা নঙ লাল্লি হায়দ্রিঙৈদা ঐ ইশাগী অশোয়বা অমদি অরানবা হান্না থিদোক্কদবনি। ইশাগী অপাম্বনা মাঙজিল থাদুনা ৱা ঙাঙথোক্লোইদবনি। মীওইবগী চিনবালদগী থোকখিবা ৱাহৈ হায়বসি য়াম্না লুবনি 'মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা'। চৎনবা য়াবা ৱা ঙাঙবা খক্তনা তুং কোইবা, শান্তি লৈবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। চিনবালথোংদগী হায়দোক্লিঙৈদা মরম চারব্রা নৎত্রগা চাদ্রিবরা হান্না খন্থগদবনি 'Look before you leave'।

মালেমগী লম কোয়বা পুম্নমক্কী, শিংথানফমশিংগী মনুংদা তোপ তোপ্পা মফম অমা ওইরিবা সেন্দ্রা টুরিষ্ট সেন্টরবু ঐগীনিগা হায়বা ৱাহৈসিদি হায়নিংদবা কনাসু লৈরোই অদুবু ওইথোক্কদ্রা ওইথোকওইদ্রা হায়বসিনি লুরিবদি। সেন্দ্রাবু মোইরাংগীনি নৎত্রগা থাঙ্গগীনি হায়দুনা মীচম মীয়ামগী মরক্তা নাকপাক তানদুনা লৈবাক ঈরাং থোক্লবা, মীওইবা মশেলগী মরক্তা শিংচেপ থাদুনা অমগা অমগা নুংশিনদনবা শিল্লিবসি কনাননো হায়বসি মোইরাং অমদি থাঙ্গগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা থিমিন্নবা অমদি খঙদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। লৈবাক্কী লুচিংবা শারিবা পোলিটিসিয়নশিংবু ওইরিব্রা? মীয়ামগী মফমদা কথোকপা শাদুনা লন্নাই শেঙ্গাও তোংনবা এন জি ও অমদি ক্লব, ওর্গেনাইজেসন তৌরিবা মাইখুম উপ্পা মীওইশিংদুনবু ওইরিব্রা নৎত্রগা মোইরাং অমদি থাঙ্গগী মীওইবা অনীগী মরক্তা চেল্লিবা ঈগী ঈচেল অনীগী খেন্নবা করি লৈবনো? ৱাফম অসিগী মতাংদা পোলিটিসিয়নশিংগী খূৎ য়াওই হায়বসিদি থৌদোক অসিগা মরী লৈনবা মীয়ামগী ওইবা মীফমদা শরুক য়াখিবা পোলিটিকেল লিদরশিংগী চিনবালদগী থোক্লকপা ৱাঙাঙ খরনা ময়েক শেংনা তাকই। মদুদি কুমজা ২০২৫ দা ওইবা য়াই হায়না খন্নরিবা পোলিটিকেল দি-লিমিটেসনগী নুংগী ওইবা কাঙলোন অমা পুথোক্তুনা কাঙলুপ অমখক্তগী পূক্লিং ফাথনবা অমদি মতম শাংনা মীয়ামগী মরক্তা উংখৎনদুনা থম্নবা হোৎনৈ। অমরোমদা এন জি ও অমদি ক্লব, ওর্গেনাইজেসনশিংনসু হীরম অসিদা মায়কৈ খুদিংমক্কী মীয়ামদা অশেংবা থম্মোয়গী ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা কাঙলুপ নাইদনা শান্তি পুরক্লবা হোৎনবিয়ু, এন জি ও অমদি ক্লব, ওর্গেনাইজেসনশিংগী মথৌদি মীয়াম্বু শান্তি লৈনা লৈবাক মরা তপ্নবা হোৎনবনি, টুরিষ্ট হোমগী মমিং শীজিন্নদুনা ফন্দিং এজেন্সিশিংদগী ফন্দ তান্নদুনা লন্নাই শেঙ্গাও থন্নবা, মীয়ামগী মীংদা ইশাগী লন-থুম লেপশিননবা নত্তে। মীওই অনীমক তোঙান তোঙানবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু, মহৌশাগী-মহৌশাগুম অহোংবা লৈতনা লৈবিয়ু, অখুবা মিৎয়েং থাদোকপীয়ু। লমগী ঙমখৈ হায়বসিদি ইশা-ইশানা পায়রিবা ডাগ নম্বর অমদি পাট্টা নম্বর অদুনা দোখোন তৌরিবা মফম অদুগী ঙমখৈ অদু ইশা ইশাগীনি। মোইরাং মচানা থাঙ্গদা লৈরবদি, থাঙ্গদা লৈবা 'মোইরাং মচা' হায়বা তাবনি অদুগা থাঙ্গ মচানা মোইরাংদা লৈরবদি, মোইরাংদা লৈবা 'থাঙ্গ মচা' হায়বা তাবনি। মীগী মীখুন্দা লৈখিবা ঐগী ইচল ইচে, ইনাওশিংবু ঐনা নুংশিদুনা মতেং পাঙবা, শেন্বী শাবীবা হায়বসিদি চৎনবীনি অমদি ইমুং অমদা ইচিন ইনাও য়াম্বদগী নৎত্রগা মফম মতিক চাদবদগী, অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক হোংজিন তৌবা করিসু কায়দে 'Right to Freedom of residence' Indian constitution নসু অয়াবা পীরি। ঐগী ইচননুপী অদু মতমগী মতুং ইন্না শারেপ ফারক্তুনা মশাগী অপান্বদা নৎত্রগা অহলশিংনা হায়না শিংনদুনা য়ূম-কৈ পাননদুনা অতোপ্পা শাগৈদা তিনখিবা, অতোপ্পা মফম অমদা লৈখিবা হায়বসিদি করিসু কায়দে চৎনবীনি। 'Right to Freedom of Life and Liberty' হায়না ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন্না অয়াবা পীরবসু মফম মতমগী মতুংইন্না অইং-অশা অমদি জিওগ্রাফিকেল প্লেটফোর্মগী মতুং ইন্না মফম অদুগা চুনবা মওংদা হিংনবা হোৎনবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী চৎনবীনি। মদুগী ওন্না তৈনবদা ঐ মোইরাংদা/থাঙ্গদা লৈরকনি ঐনা লৈরিবা মফম অদুদি মোইরাং/থাঙ্গ ওইগদবনি হায়বসিদি কনানসু য়ারোই, ঐখোয়গী শাগৈ-নাতৈ, ইচিন ইনাও পুম্নমক লৈকায় অসিদা লৈ, ঐখোয়না লৈরিবসি 'শগোলবন্দ' ওইজরবসু ঐখোয় মোইরাং/থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা ভোট থাদৈ মোইরাং/থাঙ্গ ওইগদবনি হায়রবদি 'শগোলবন্দ' নসু য়ারোই।

ঐখোয় মীওইবগী খুন্নাই অসি চৎন-কাঙলোন অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী লৈঙাক মখাদা নাগরিক অমা ওইরুবনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী কন্সটিট্যুশনেল রাইট অদুনা পীবা চৎন কাঙলোনশিং অদুগী মখাদা হিংমিন্নবা হায়বসি ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইরৈপাকপু ইকায় খুম্নবা উৎপনি। লৈঙাক্কী লোইশঙ খুদিংমক্তা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইট লৈ, রাইটশিং অদুগী ৱাংমদা লোইশঙ অমনা হেঞ্জিন্না নৎত্রগা ৱাৎনা থবক তৌবা য়াদে, চৈরাক ফংগনি। অসিগুম্বা কন্সটিট্যুশনেল রাইটশিং অসিগী অচুম অরান ময়েক শেংনা মীয়ামগী মমাঙদা পুথোকপীনবগীদমক ৱায়েলশঙশিং লৈ। ৱায়েলশঙশিং অদুগী ৱায়েল ঐখোয় পুম্নমক্লা ঙাক্লা চৎপা হায়বসি ঐখোয় ইশানা ইশাগী মমল য়াল্লবা কন্সটিট্যুশনেল লোশিং অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপনি। ঐখোয় ইন্দিয়াগী নাগরিক অমা ওইনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনবু ইকায় খুম্নবা উৎফম থোকই। খুরক্কী ঈ মশেল নাকপাক তানরবদি কনানা য়েলহৌমীশিংগী মশক তাকপা ঙমগনি, কংলৈ ময়োন্দা তাংবল কাদুনা গ্লোবেল ইকোনোমিগী লমজেলদা দোলাই তোংলিবা মীয়ানচাশিংনা অৱাং নোংপোক ভারতকী ফুরুপশিংদা য়েংলিবা খেন্নবগী মিৎয়েং অমদি থাক্লিবা লাং কয়ামরুমসিদা থুরুবদগী ঐখোয় পুম্নমক মখোয়না তোংলিবা দোলাইশিং অদুগী দোলাইলেং ওইরুবগী হুমাংমলশিং অদুনা পুন্সি চুপ্পা লৈখা তানা হিংখিসি হায়বরা, ইমা লৈবাক ইফুরুপ অসিবু মীরমগী লমহুইশিং অসিগী মখূৎতা শিন্নখ্রসি হায়বরা? ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা তোমথিন ঙাল্লিবা ইমাগী মপারী মমোমশিং ঐখোয়দি চুহি চফুদা খোংপাক্লা কাওবগী হৈনবী থাদোক্লসি 'LONG LIVE MANIPUR'।

*অদোমগী - মোইরাংথেম সোমোরজিৎ কেগেচা*

## ওগষ্ট ১৩ না লাকপদা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**কুমজা** ২০১৬ কী ওগষ্ট ১৩ অমুক হন্না লাকপগা লোয়ননা অরিবা পুৱারীবু নৌহৌনা ময়োন চোংহল্লক্লবা অথৌবশিংবু নীংশিংবা নুমিৎনি। কাওঙল্লরোইদবা চহী কুমজা অমনি ১৮৯১, মতমদুগী অথৌবশিংনা মায়থীগনি হায়বা খঙনা খঙনা মরমদম্মু নুংশিজবগীদমক মরোমদোম মনীং তম্না লৈজনবা বৃটিশকা অকনবা লান শোক্লখিবা, লানফম অদুদা মণিপুরীশিং মায়থীখি, মণিপুর মীখা পোনখি। মতম অদুগী মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাকচনবা হৌখিবা লানফমদা য়াইবী থৱায় পোন্থাখিবশিংদু ঐখোয় ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংফম থোকই হায়বসি হৌরল্লিবা মীরোল অসিনা লৌরকপা ফীরেপনি। মদুমক্তনা চহী খুদিংগী নুমিৎ অসিবু মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়দুনা ষ্টেটকী থাক্তা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবা।মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক খঙফম থোকই। অদুবু লাইবক থীবদি হৌরল্লিবা মণিপুরী মীরোল অসিনা ঙসিদি অথৌবশিংগী ৱাহন্থোক অসি কাউথোকপগুম তৌরি। মায়থীখিদ্রবা য়াইবীরেলশিং অদুগী মফম অয়াম্বা অমগুম্না ঙসি হৈ অমা, লৈ মনা অমা কৎচবা অসিবু য়াইবিরেলশিং অদুগী মপূক্লিং খৈনা পেনবিরমগদ্রা? মীওই লাক্ষ ২৭ লোম্না চহী মঙাগী শক্তি শীন্নরবা ঙসিগী লৈবাক নীংবশিংনদি নেসনল হায়ৱেশিংদা লুৎ-পাৎ তৌদুনা লাই শারল্লিবা খুরক্কী ঈ কয়া অসি ফাওবা লাকশিনবা ঙমদ্রি। ফম্বাল কোন্দুনা লৈরগা ককশাবি শাবশিং অসিগী চাকথাক হুনবগুল্লে। চৈঙাক য়াওদ্রবা চখম্নরবা পোইরৈচাশিংনা ঙসিদি মকন্থিনা মরল ফোয়দৎচরি, মশেল মরক্তা ওনশিন ওনশিন ৱায়নদুনা মপু পান্দবা লৈবাক্লুল্লে। মণিপুরীশিংনা ঙসি হিংলিবা পুন্সি মহিং অসি হোরেন হয়েং করি ওইরক্কনি তম্বা ঙমদ্রিবনি। ঙাঙথোক শক্তোরকপদদি ইমা লৈবাক্কীদমক, পোইরৈচাশিংগীদমক কৎথোক্লে হায়বসি ঐখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি ফুরুপকী থাক্তা চেন চোংলিবা কয়াগী হায়নবা ৱা ওইরি। তৌথোরকপদদি কৎথোকপগী মমি তাদবগুম তৌই। ঙল্লোয়দবা থবক, ঙাকপা ঙল্লোয়দবা ৱাশক্লা মাং থারগা মীয়াম্বু য়াই থাবগী থৌদৌ ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা থাদোকফরে। মশাগী ওইজবনা মাং থাবা লৈবাক্কী মপী মপা শকপশিংনা শোয়খি লানখিবা খুদিংমক চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা নুমিৎ অসিদা শেংদোকপা ঙম্নবা হোৎনবনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবদগী হেন্না হকচিন্না লৌহন্নিংই। মীয়াম্বু তংদু লৈতানা লৈহনবা হায়বসিদি পাউজেল অমদি পাউতাক্লা য়ারোই। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা কমদৌনা লৈবাক মীয়ামগী সেবা তৌরম্বগে হায়বদু মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনরগা খুদুং ইনফম থোক্লবনি। অদুগা হোংলক্লিবা অকোয়বগী ফীভম অমদি খুন্নাই পুন্সিরোলসিগা চুশিন্নবা লৈঙাক অমা মীয়ামদা খুদোল তম্বা ঙল্লবদি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুগী মফমদা হৈ-লৈদগী হেনবা খুদোল হায়বদু ওইগনি অমদি মখোয়গী লমন শিংবা হায়বদু শক্কদৌরিবনি।

ওগষ্ট ১৩, নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুমিৎ অসিগা ঐখোয়গা করি মরী লৈনরি অমদি করি তাক্লি মমুৎ তানা খঙলবদি নুমিৎ অসি পালন তৌবগী ৱাহন্থোক লৈগনি অমদি কান্নবা ফংগনি। মতম অদুদা করি মরমদগী ইরৈবাক অসিনা অৱাবা নংখিবনো, করি শোয়বদগী নীংখা তম্বা মাঙখিবনো হায়বসি খন্থবদা লাম্বা ফংলবদি ঙসি ঐখোয়না করিগী ৱারিবনো, করি মরমদগী অসুক ঙাক্লৌ লৈতবা ফীভম অমদা ঐখোয় হিংলিবনো হায়বসিসু খঙবা ঙমগনি। ঙসিগী অৱাবা অমদি কুমজা ১৮৯১ গী অৱাবা অনী অসি ওইহল্লকপগী মরম মরী লৈনদবা নত্তে। অৱাবা খুদোংথিবা নংবগী মরম খঙবা ঙল্লবদি অৱাবা কোক্লবা পোরমসু পুথোকপা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী হেন্না কাং খোং চাইবা, মথোং মরম খঙদবা মতম অমা ওইরি। খুন্নাই অমা ওইনা ফুরুপ অমা ওইনা হিংবা য়ারোইদবা মওং মতৌ, লিচৎ শাজৎ ঙাক্তনি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা লৈরিবসি। কুমজা ১৮৯১ গী মমাঙ অমসুং মতুংদা ঐখোয়না লৈঙাক্লোন লৈশেম্লোনগী লমদা অশোয়বা অরানবা তৌখিবগী মহয় ঙসি ঐখোয়না ফংবগুম, ঙসিগী লৈঙাক্লা চৎথরিবা অরানবা অশোয়বশিং অসিগী মহয় তুংদা ফংলকখিগনি। কুমজা ১৮৯১ গী থৌদোক অসি ঐখোয় লান্দা মায়থীখ্রবসু ঐখোয়গী পুৱারীগী মায় পাকপনি, ফুরুপকীদি মীংচৎ উরোং খিনবনি। লান তৌদনা মীখা পোনবদি হিংনা হিংনা শিবনি, লান্দা মায়থীরগা মীখা পোনবদি মীওই খরা পুন্সি মাঙখ্রবসু ফুরুপকীদি থৱায় হাপ্লন্বনি। থৌদোক অদু ঐখোয়গী ইপা ইপুনা থাবীরম্বা কৈরাক অমনি। কৈরাক অসিদা কারবদি ঐখোয়গী ৱাহন্থোক লৈবা তুংগী পুন্সি অমা শোয়দনা ফংগনি। থৌদোক অদুনা চল্লিবা পাউখোং অদু ফোঙবা ঙল্লবদি ঐখোয় হান্নগুম মতিং লৈবা ফুরুপ অমা অমুক হন্না ওইরকপা ঙমগনি। ওগষ্ট ১৩, মীখা পোন্দুনা নুংঙাইনা লেনবা পুন্সি মরেলদি মহাও য়াওদবা মীনোকপু শিংনবনি।

*অদোমগী- কাংজম হেমন্ত সিংহ, লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়*

## থাঙ্গ সেন্দ্রাগী হায়দিং ইবিক্সন

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুর** লৈঙাক্লা ঙমই হায়দুনা থাঙ্গ সেন্দ্রাদা ঙা অমসুং মনা-মশিং য়োঞ্জবা দুকান মচা মচা ফমজদুনা পুন্সি হিংজবা অদুগা লোয়ননা থাঙ্গ সেন্দ্রাদা লম কোয়বা লাকপা মীপুম খুদিংমক্কী সেবা তৌজরিবা ঙামী ২৮ গী য়ূম, ভেন্দর ৫৪ গী পোৎফম হৌখিবা তাং ৩/৮/২০১৬ কী অয়ূক পুং ৮ দগী পুং ১০ রোম চঙনা মশীং য়াল্লবা পুলিস পার্টি অমনা লাক্তুনা থুগাইবিখি। ইভিক্সন অদুদা নুপী-নুপা ১০ রোম শিবা য়ানা অশোক অপন য়াওখি। ইভিক্সন অসিদা ময়ূম লৈজদ্রবা ঙামীশিং অদুনা লমহাংদা হিপ্তুনা লৈহৌবা উবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। ইভিক্সন অসিদা চৎন-কাঙলোন শোয়বগী মরম খরা পীজরি। ইভিক্সনগী নোটিশ পাউচেদা ফোঙখি হায়রবদি পাউচে পাদবা মীওই কয়ামরুমসু লৈ। লম অসিগী প্রধান অমসুং পঞ্চায়ট মেম্বরদসু ইভিক্সন নোটিশ পীদে। নুমিৎ ১০ গী মতম পীরিবা অসিসু তেনমল্লি। অনীরকশুবা ইভিক্সন নোটিশ পীবসু য়াই। মফম অসি টুরিজম দিপার্টমেন্টগী লমনি হায়বা লানগনি। TAKMU Commercial Fish Farm, Govt. of Manipur গী লম ওইদুনা লৈরম্বদগী কেন্দ্রগী মীচম মীয়াম্না শীজিন্নবনি। ইভিক্সন অসিগী মনুংদা লৈরিবা অরোনবা ৱাফম খরা পনবা তারবদি মকোক থোংবা ফম্নাইবশিংগী খূৎ য়াওব্রা হংজনীংই। লোয়ননা মফম অদুদা পুলিস মশীং য়াম্না লাকপা, য়াম্না থুনা খন্নবা য়াওদনা ইভিক্সন তৌবীবা, তাং ৩/৮/২০১৬ কী নুংথিল পুং ২ দা ওনরেবল এম এল এ টি মঙ্গিবাবুবু চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা কৌদুনা মীটিং তৌখিবা অয়ূক্তা ইভিক্সন তৌহনবা হায়বসি অনাবা শিরগা ডাক্তর কৌবগী থৌদৌনি। হোটেল ক্লাসিক ইম্ফাল অমসুং সেন্দ্রা টুরিষ্ট হোম অনীমক মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টগী ওইরমই অদুবু হৌজিক্তি প্রাইভেট পার্টি অমদা শেন্দান লম্বী ওইনা পীথোকপীরে। সেন্দ্রা টুরিষ্ট হোমদা লম য়েংবা লাকপা অঙাং অমদা লুপা ১০ লৌই অদুগা গাড়ী অমদা লুপা ৫০ লৌই। থাঙ্গ সেন্দ্রাগী লম থাঙ্গ গ্রাম পঞ্চায়টকী লমনি। গ্রাম পঞ্চায়টতা ভোট পী। মোইরাং ম্যুনিসিপালিটিগী লম নত্তে। মোইরাং ম্যুনিসিপালিটিদা ভোট পীদে। লৈখিদ্রবা মাইরেনবম কোইরেং সিংহ ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরগী মীতম মোইরাংদা ওনশিন্দুনা শাবিরি মনঙ্গলনা থাঙ্গদা ওনশিনবীরি।

ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা ইভিক্সন তৌবগী মহুত্তা দুকান মচা ফমজরিবা মীওইশিং অসিদা হান্না লোন মচা মচা পীথবীরগা ফজবা মান্নবা মওংদা য়ূম শাবীয়ু। ফিশ ভেন্দরশিংগী মফমসু শেন্বীয়ু। ইভিক্সন তৌবীগনু নৎত্রবদি ইন্দিয়াগী ওইবা ফিশরমেন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়ানা চীফ মিনিষ্টরবু বোয়কোট তৌবা য়াই। ফিশরমেনশিংনা শীদোকখ্রবা য়ূম মশা মশানা থুনা শাগদবনি, অদুদগী ইভিক্সন থিংনবা কোর্টকী মতেং লৌরগনি।

*অদোমগী - ঐচ কাঙজাম্বা সিংহ*

